Refreshingly Reliable

# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses


অরোমা সেক্টর, ৰুদ কেয়র টেক্নোলোজি অমসুং বানানা ফাইবরগী মতাংদা নুমিৎ নীনিগী ওইবা স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী শক্তম




নহারোল সহিত্য প্রেমী সমিতিনা শীন্দুনা হৌজিক্কী মতমগী সহিত্য নৈনরোলদা টি এস ইলিয়টকী খুদোল হায়বা হীরমদা লেকচর পীবগী থৌরম হৌদোকপগী শক্তম




ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মফম অমদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা কার অনী য়ৈশিন্নবদগী লম্বী ময়াইদা লোংলগা লৈবা



হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলাহনা বোদাফোন সুপরনেট ৪জি লোঞ্চ তৌবা





Vol. 41, Issue No.001 | শগোলশেন, লমতা ২৫নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, March 23, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


### অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৪.১৯ °C | ১১.৬৫ °C |
| চান্দেল | এন এ °C | এন এ °C |
| সীসীপুর | ২৪.৩৮ °C | ১০.১৪ °C |
| ইম্ফাল | ২৪.৮২ °C | ১০.৮২ °C |
| সেনাপতি | ২৩.২৪ °C | ৯.৩৩ °C |
| তমেংলোং | ২৬.৫২ °C | ১২.৩৯ °C |
| থৌবাল | ২৩.৮৯ °C | ১২.১৯ °C |
| উখ্রুল | ১৬.৫৮ °C | ৭.৮৫ °C |
| মণিপুর | ২৬.৫২ °C | ৭.৮৫ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৭
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## য়ু এন এল এফনা চৈরাক পীবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২২ : লাঙ্গোল গেম ভীলেজতগী লমদেং তাবা লম্বীদা থা অসিগী ১৭কী অঙনবা অয়ুক্তা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা নন-মণিপুরী অজয়কুমার শাহু ওক্তবা/ওক্তবী লল্লোন্দুনা শেন্দাল লম্বী চথ্বগীদমক শিবগী চৈরাক পীবনি হায়না য়ু এন এল এফকী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী দিরেক্টর এম শকহেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়, অজয়কুমার শাহু (২৫) অপোকপা সুরেশ প্রসাদ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মিনুথোং টিলিপতিদা অশানবা য়ুমদা লৈবসি ন্যু চেক্কোন্দা পান দুকান ফমদুনা ওক্তবা/ওক্তবীশিংগী শেন্দান লম্বীদা মহাক্না পিস্প (মেনেজর ফোর প্রোষ্টিট্যুট) ওইনা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

## বিল ২ পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২২ : তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী ঙসি চথখিবা সেসনদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হাউসতা বিল অনী ইন্ট্রদ্যুস তৌখ্রে। ঙসি হাউসতা ইন্ট্রদ্যুস তৌখিবা বিল অনী অদুদি দ মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন (নম্বর-১) বিল ২০১৭ অমদি দ মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন (নম্বর-২) বিল ২০১৭ নি।


গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি


**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 70.687518 |
| US Dollar | 65.437613 |
| British Pound | 81.519752 |
| Australian Dollar | 50.203948 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.501313 |
| Japanese Yen | 0.588253 |
| Malaysian Ringgit | 14.779815 |
| Nepalese Rupee | 0.624894 |
| Russian Ruble | 1.12678 |
| Singapore Dollar | 46.786863 |
| South Korean Won | 0.05843 |
| Thai Baht | 1.88942 |
| Myanmar Kyat | 0.04771 |
| Bangladesh Taka | 0.81707 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 29711.23 |
| Mumbai | – | Rs 30010.70 |
| Delhi | – | Rs 29732.62 |
| Kolkata | – | Rs 30224.60 |

## HL POLL

**Q: Minister expansion hek loibaga ikui kuidana BJP manungda irang lakkani haina louba yabra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q: Portfolio pithoktribasi mara chetpa leingak ama leihannabagi poram amani haina loubra?**

Yes 66% No 34%

### অস! লোইরেহে!

অরোন অথুপ লৈহল্লোই হায়...!




অদুদি, অনৌবা লৈঙাকসিনা থবক্কা অমত্তা লৌররোইদবা জাৎলা...!

# এন বিরেনগী লৈঙাক ঙসি চাউথোক্লবা য়াই

## পোর্টফোলিওসু ঙসি পীরবা য়াই

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস) :

নোংথোম্বম বিরেননা লূচিংবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক ঙসি নুংথিল মিনিষ্টর অহুম হাপচিল্লগা চাউথোক্লবা য়াই হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফম অয়ুক্তা লোইরবা তুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্কী লৈঙাক চাউথোক্লবগীদমক গভর্নর উনরবা য়াই। পাউগী সোর্চ অসিগী মতুং ইন্নদি হয়েং নুংথিল পুং ৪দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা মিনিষ্টর অহুম ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং বি জে পিগী লূচিংবসু ওইরিবা মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ প্রাইম মিনিষ্টর কোল ওন তৌরুনবগীদমক থা অসিগী ২৪দা ইম্ফাল থাদোক্কদবনা মরম ওইরদুনা মখোয় অনীনা ইম্ফালদা লৈরিঙৈদা মিনিষ্টর অহুম ৱাশক লৌনবা ৱাফম অসি লাকপনি হায়রি।

চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা চীফ মিনিষ্টর য়াওরগা মিনিষ্টর ১২ লৈগদবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা বি জে পিনা মিনিষ্টর অনীখক ফংলে। অনী অদুদি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমসুং থোঙাম বিশ্বজিৎনি। নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী এম এল এ মরিসু মিনিষ্টর ওইরে। এল জে পিগী অমা, এন পি এফকী অমা অমসুং কোংগ্রেসতগী চোংথোরকপা অমা থারগা পুন্না মিনিষ্টর মাপন লৈরে।

অৱাৎপা মিনিষ্টরগী ফম অহুম অসি মেনশিন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক অসিনা অচৌবা অৱাবা পোৎলুম পুরি। বি জে পিগী লূচিংবা কনা কনা মিনিষ্টর ওইহনগদগে হায়বসি হৌজিকসু অরুবা ৱাহং ওইরি। অদুমকপু চুড়াচান্দপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদগী কারকপা ভী হংখালিয়ন কেবিনেট মিনিষ্টরগী ফম পীরবা য়াই হায়না পানরি। অতৈ ফম পীবা য়াবশিংগী মনুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়েংলগনা বি জে পিগী অমখক্তমক ঙাইরবা এম এল এ থোকচোম রাধেশ্যাম, তমেংলোং এ সীদগী কারকপা সমুয়েল জেন্দাই, বি জে পিগী সিনিয়ার লিদর সলাম রাজেন অমসুং অমখক্তমক ঙাইরবা নুপী এম এল এ নিমচা কিনগেননি। হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেনগী ফম হাংদুনা লৈবা মরম্না ফম অসি নেমচা কিনগেনদা ওইনা পীরবা য়াই হায়নসু পানরি।

মরক অসিদা, চীফ মিনিষ্টর অমসুং বি জে পিগী লূচিংবা থোঙাম বিশ্বজিৎনা দিল্লি চৎত্রিঙৈদা মিনিষ্টরশিংনা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং য়েন্থোক্লমগদৌরি। হয়েং নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা পোর্টফোলিও য়েন্থোক্লবা য়াই হায়রি।

# টেররিষ্টনা বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টতা এটেক চথখ্রে

লন্দন, মার্চ ২২ (এজেন্সী) :

লন্দনদা লৈবা বৃটিশ পার্লিয়ামেন্ট হাউসশিংদা চথখিবা অচৌবা টেররিষ্ট এটেক অমদা পুলিস ওফিসার অমা থাঙনা থীন্দুনা হাৎখ্রে, নুপী অমা শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ১০ রোম অশোক-অপন নংখ্রে। এটেক্কী অদু য়াওনা থৌদোক অদুদা মীওই মরি শিখ্রে হায়না পুলিসনা কনফার্ম তৌখ্রে।

লোকল মতমদা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪০ রোম তাবদা অমুবা মচুগী হ্যুন্দাই আই-৪০ কার অমা ৱেষ্টমিনষ্টর থোঙদা অকনবা স্পীদতা পার্লিয়ামেন্ট তম্না থৌজিল্লকখিবগা লোয়ননা খোঙনা চৎপা মীওই কয়াদা থোমখি অমসুং তকখায়খি হায়রি।

কার অদু খান্নবা তুংদা মনুংদগী নুপা অমা চেন্থোরকখি অমসুং পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিংগী চঙফমদা লৈবা পুলিসমেন অমসু থাঙনা থীনদুনা হাৎখি। মহাক্না মখা তানা সিক্যুরিটিগী মীওইশিংদা এটেক তৌনবা হোৎনবদা মহাকপু সিক্যুরিটি টিমগী অতৈ মেম্বরশিংনা কাপ্পুনা হাৎখি। লন্দনগী ৱেষ্টমিনষ্টরদা লৈবা পার্লিয়ামেন্টদা চথখিবা এটেক অদুগী মতুংদা সিটি অসিগী হোস্পিটাল অমগী ডোক্টরনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মীয়াম মরক্তা কার থৌজিনবদুদা য়ামদ্রবদা নুপী অমা য়াওনা মীওই অনী শিখ্রে। স্কোটলেন্দ য়ার্দনা ৱেষ্টমিনষ্টরদা চথখিবা এটেক অদু চপ চাবা খঙদ্রিফাওবা টেররিষ্টকা মরী লৈনবা থৌদোক অমা ওইনা লৌগনি হায়রি।

## দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টকী লুপা ক্রোর ৩,৩০৮.১৮ পাস তৌখ্রে

# ইথৈ-লৌখোং শেমগৎপদা মহাক্কী লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙগনি : সী এম

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস) :

ইথৈ-লৌখোংগী প্রোজেক্ট য়াওনা মীয়ামদা কান্নগদবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা মীৎয়েং চঙগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি এসেমব্লি মীফমদা দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টকী খন্ন-নৈনরকপদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এসেমব্লি মীফমদা দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টকী খন্নরকপদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা সেন্ট্রেল প্রোজেক্টশিং খুমাঙ চাউশিন্না পায়খৎনবগীদমক মথৌ তাবা ফন্দশিং থাদবীনবা সেন্টরদা হায়জগনি। মণিপুর রেভিন্যু ৱাৎপা ষ্টেট ওইবনা সেন্টরগী ফন্দিংশিং মতম চানা লৌথদুনা নিংথিনা শীজিন্নবা তঙাইফদে। ষ্টেট অসিদা বন্দ, ব্লোকেদ তোয়না তৌবা অমদি ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অসিনা থবক পায়খৎপদা অপনবা পী। ষ্টেটসিদা ওইরিবা ফীভমসিদি চেরাপুঞ্জিগী নোংগী মওংনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টকী খন্নরকপদা ওপোজিসনগী লুচিংবা ও ইবোবীনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা সেন্টরগী শেন্থং মখাদা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলি।



ইরিগেসনগী ওইনা দোলাইথাবী প্রোজেক্ট অমদি থৌবাল প্রোজেক্টকী থবক অয়াম্বা লোইশিল্লক্লবনি। শঙ্গাবা য়াবগী ফীভম য়ৌশিল্লক্লবনি। কেপিটেল প্রোজেক্টকীসু অয়াম্বা থব ক থৌরমশিং লোইশিল্লক্লে। আই টি পার্ক, আই টি এফ সী জেদনচিংবগী থবক থৌরাং কয়াসু লৌখৎলক্লবনি।

ষ্টেট অসিগী ওইনা থক্লবা ঈশিংগীদমক থৌবাল প্রোজেক্ট অসি য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইরি। সেন্টরগী প্রোজেক্টশিং অসিগী শেন্থংশিং মতম চানা লৌথনবা হোৎনবা মথৌ তাই। মণিপুরদি রিছোর্স ৱাৎপা ষ্টেট ওইবনা সেন্ট্রেলগী ফন্দিংশিং অসি মতম চানা লৌথদুনা নিংথিনা পায়খৎপা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি হাউসতা দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্ট গ্রান্টকী কুপ্পা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা কুমজা ২০১৬-১৭কী দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টকী লুপা ক্রোর ৩,৩০৮.১৮ পাস তৌখি। হাউসতা পাস তৌখিবা তোঙান-তোঙানবা দিমান্দশিংগী শেনফমশিং অদুদি দিমান্দ নম্বর-১ সেরিকলচরগী লুপা ৪,৩২,৩৯,০০০, দিমান্দ নম্বর-৩ সেক্রেটরিয়েটকী লুপা ৬,৩০,৪২,০০০, দিমান্দ নম্বর-৪ লেন্দ রেভিন্যু, ষ্টাম্পস এন্দ রেজিষ্ট্রেসন এন্দ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী লুপা ৪,২৩,৯৭,০০০, দিমান্দ নম্বর-৫ ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী লুপা ১৫৫,২৮,১৮,০০০, দিমান্দ নম্বর-৬ ট্রান্সপোর্টকী লুপা ১,২০,০০,০০০, দিমান্দ নম্বর-৭ পুলিসকী লুপা ১৩৬,১৮,৬৪,০০০, দিমান্দ নম্বর-৮ পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্টকী লুপা ৪১৩,৫৫,১৯,০০০, দিমান্দ নম্বর-৯ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসীটিগী লুপা ২,২০,১৩,০০০, দিমান্দ নম্বর-১০ এদ্যুকেসনগী লুপা ৬৫,২৬,৬২,০০০,...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

## অসুক : ওজাশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি

ইম্ফাল, মার্চ ২২ : হৌজিক হৌজিক চথরিবা হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামদা মহৈরোয়শিং লান্না লমজিংবা ওজাশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎলগনি হায়না অসুককী স্পেসল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ)কী কম্মান্দর দীপকনা থোকখিবা চেরোলনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কংলৈ খুন্নাইবু অশিবগী খয়াত্তগী চিংথোক্তুনা অমুক হন্না অহিংবা খুন্নাই অমা ওইহল্লক্লবগী পান্দমদা (এল্লাইয়েন্স ফোর সোসলিষ্ট য়ুনিটি, কংলৈপাক (অসুক) না 'কেম্প্যেন ফোর নেসনল রিজেনরেসন (সী এন আর)' হায়না মিংথোনবা কংলৈ মীয়ামগী খোঙজং অমা ঙসিফাও চঙশিন্দুনা লাক্লি। ঙসি ঐখোয়গী মীখা পোল্লবা খুন্নাই অসিবু মনিং-মখা তম্বা লৈবাক ওইনা অমুক হঞ্জিলহনবগা লোয়ননা হেন্না চাউখৎপা *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

### জেনরেল খোলি, মুইভাবু মথংগী চহী ৬ অমগসু ফম পায়হন্নবা য়ানখ্রে

# 'ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা সোভরেন পৱার ফংহল্লগনি'

হেব্রোন, মার্চ ২২ (এজেন্সী) : হেব্রোন্দা লৈবা নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সীল ওফ নাগালিম (এন এস সী এন)গী কাউন্সীল হেদক্বার্টরস (সী ঐচ ক্যু)তা ঙসি লূপকী এক্টিব মেম্বর ৩,০০০ লোম হেনবনা শরুক য়াদুনা কাউন্সীল মিটিং অমা পাঙথোকখ্রে।

গভর্ণমেন্ট ওফ দ পিপলস রিপব্লিক ওফ নাগালিম (জি পি আর এম)গী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা হীরম অসিগী মতাংদা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, মীফমদা শরুক য়াখিবা মেম্বরশিংনা ভাইস চ্যেরমেন জেনরেল (রিটয়ার্দ) খোলি অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ মুইভাবু মথংগী চহী ৬ অমগা ফম পায়হন্নবগী মতাংদা অয়াবা পীখ্রে।



মখোয় অনীমক নেসনল জুদিসিয়ারি বোর্দকী কনভিনর দোমাই দানি সাইহেনিনা থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। কাউন্সীল ওফ নাগালিম চর্চসেস (সী এন সী)গী রেবরেন্দ খূদিংমক্না লূচিংবা অনীদা থৌজাল পীখি।

মীফমদা শরুক য়াখিবা এন এস সী এনগী এক্টিব মেম্বর খূদিংমক্না তাইবঙ মপু অমদি মীয়াম মাঙদা খুৎয়েক পীখিবগা লোয়ননা পূন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা এন এস সী এনগী প্রিন্সিপল ঙাক্না চৎকনি হায়না ৱাশকখি। মীফম অদুদা মরুওইবা নেসনল ইস্যু অমদি এজেন্দা কয়াসু পুথোক্তুনা কুপ্না খন্নখি হায়রি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা ফোঙবা কাউন্সীলগী ৱাখল্লোন অমদি পান্দম য়াওবা 'দ লাইন ওফ নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সীল ওফ নাগালিম' *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## বি কে শর্ম্মা দুবাইদা চৎকদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস) : ৱর্ল্ড বেঙ্ক অমসুং য়ুনিয়ন ইন্টরনেসনল দেস ট্রান্সপোর্ট পব্লিক (য়ু আই টি পি)না খুৎশম্মদুনা য়ুনাইটেদ আরব ইমরেটসগী মনুংদা লৈবা দুবাইদা পাঙথোক্কদবা ট্রান্সপোর্টকা মরী লৈনবা কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রামদা মণিপুরগী মহুৎ শীল্লগা শরুক য়ারুগদৌরি।



মথং থাগী ২দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা য়াওরুনবগীদমক মেনা সী ঈ টিগী ষ্টেয়ারিং কম্মিটিগী চ্যেরমেননা থা অসিগী ২০দা ইন্দিয়ান এম্বেসিদা চেরোল অমা থারকখ্রে। অর্বান মোবিলিটি প্লানিংগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ন্যু দিল্লিদগী ভিজা পীনবা খঙহল্লকপা মতুং ইন্না মহাক থা অসিগী ২৬তা ন্যু দিল্লিদগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়রি।

ফুরাইলাৎপম বিজেনকুমার শর্ম্মা (বি কে শর্ম্মা) হৌজিক হৌজিক ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর অমসুং দিপার্টমেন্ট অসিগী ও এস দিগী থবক পুরি। মহাক নেসনল লেবেলগী ট্রেনিং ৩১ হেন্না শরুক য়ারুরে। মালেমগী ওইনা ট্রান্সপোর্টকা মরী লৈননা পাঙথোকপা ট্রেনিং কয়াদসু শরুক য়ারুরে। ফিলিপিন্সকী য়ুনিভর্সিটিদা *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

## রিমসকী খোঙজং ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস) :

রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী হেদ ওইরিবা দিরেক্টরগী ফম চহী অসিগী মার্চ ১ দগী হাংদুনা লাক্লিবা অসি ঙসি ফাওবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মেনশিন্দববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা তোঙান তোঙানবা খোঙজং চঙশিল্লক্কদৌরি।

রিমসকী টিচরস এন্দ মেদিকেল ওফিসরস এসোসিএসন (তমোৱা), রিমস নর্সেস এসোসিএসন লম্ফেলপাৎ (আর এন এ এল) অমসুং নন-টিচিং এমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এন টি এ দব্লিয়ু এ)গী অপূনবা ইগজিক্যুটিবকী মীফম অমা ঙসি রিমসতা পাঙথোক্লবা তুংদা মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং অসি চঙশিন্নবা ৱারেপ্পখিবনি হায়না এসোসিএসন অহুম অসিগী অপূনবা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। চহী অসিগী মার্চ ১দগী...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# শকখঙদবশিংনা মীওই ১ হাৎলগা হুন্দোক্লল্লে

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস) :

হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা হৈঙাং অৱাং লৈকায় অমদি মোংজমগা লোন্নবা লৌবুক ময়াদা শকখঙদবশিংনা ফারগা পুরকপা নুপা অমা হাৎলগা হুন্দোক্লল্লে। মীশি অসিগী মতাংদা জে এ সী শেমখ্রে।

লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমীং সাপম রঞ্জিৎ এলিয়জ অমুবা (২৭) অপোকপা এস ইবোয়াইমা কৌই। মহাক হৈঙাং অৱাং লৈকায়দা লৈবনি। হৌজিক্কা অচানবিগৈদা লৈবা তায়েঞ্জম কেনেদি কৌবা অমগী য়ুমদা ট্রেক্টর থৌরগা লৈবনি হায়রি। মহাক হান্না ওটো রিক্সোসু থৌরম্মী হায়রি।

মীশি অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফঙবা পাউগী মতুংইন্না, ঙসি অয়ুক অঙনবদা ৱাকিং চৎপা মীওই খরনা হৈঙাং অৱাং লৈকায় অমদি মোংজমগা লোন্নবা লৌবুক মপানগী লম্বীদা অশিবা হকচাং অমা থেংনরকপদগী পুলিসতা পাউ পীবদগী মীয়াম খঙনরকপনি হায়রি।

নুপা অদুনা শিদুনা লৈরম্বা মতমদা মহাক্কী লুখমদা করিগুম্বা অকনবা পোৎশক অমনা শুবগী কোক কায়বা, চুবা অমদি পুক্কচিংবদা শোকপগী দাগফম লৈরম্মী হায়রি। মহাক ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ মুক তাবা মতমদা ফমুংদা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*




HL-B/3772/20-23Mar



HL-B/3654/7 Feb–7 Mar(Alt)